# অহুমশুবা পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুম্মৈ ২০১৯

## ড্রামা ফেষ্টিভেলগী তরাহুমদোইনি চনবা অরোইবা নুমিৎতা

# খেঞ্জোংলাংগী ‘লাইরৈপাক্কী হৈকোল–লৈকোল’ উৎখ্রে



*ইম্ফাল, এপ্রিল ২১ঃ*

অহুমশুবা পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুম্মৈ ২০১৯ গী মনুং চনবা মচল অমা ওইনা পাঙথোক্লিবা ড্রামা ফেষ্টিভেল অসিগী তরাহুমদোইনি চনবা অরোইবা নুমিৎতা খেঞ্জোংলাংগী ‘লাইরৈপাক্কী হৈকোল–লৈকোল’ হায়না মিংথোনবা ড্রামা উরিপোক কাঙচুপ রোদ শামুশঙদা লৈবা কোরস রেপরটোরি থিয়েটরগী স্রাইন প্লে হাউসতা উৎখ্রে।

ড্রামা অসিদা শক্তম লাংলিবা লাংবীশিংদি–উচেক লাবগী শক্তমদা ক্ষেত্রিময়ুম রোনাল্ডো, মপুবোক–নাওরেম বীশ্বরজিৎ, শকহেনবা নুপাশিংদা–এন দেবীসন অমদি এল বীরজিৎ, লাইয়েকপা নুপা অমগী শক্তমদা এস হোমেন্দ্রো, পুলিস এস আই অমগী শক্তমদা এল মঙলেম্বা, নুপা অমা–এল বীরজিৎ, বোইফ্রেন্দ–সুরজিৎ মোইরাংথেম, কোরসতা বীশ্বরজিৎ, মালেমঙানবা, বীরজিৎ দেবীসন, হোমেন্দ্রো অমদি সুরজিৎনি।

নুপীগী শক্তমদনা উচেক অমোমগী শক্তমদা হৈক্রুজম মঙাল্লৈমা, মশুনুপীগী শক্তমদা এস নেরোকা, পুলিস এ এস আই অমগী শক্তমদা কদম্বীনি। শকহেনবীশিংগী শক্তমদা এল মেরী অমদি ৱাই বিন্দুরানিনি। নুপী অমগী শক্তমদা এস রেনুকা, মচানুপীগী শক্তমদা দল্লিয়ু ওরমীলা, কোরসতা কনম্বীনি, নেরোকা, বিন্দরানী, রেনুকা, ওমীলা অমদি মেরীনি।

ষ্টেজ মেনেজরদা এন বিশ্বরজিৎ, সেট ইন চার্জ হোমেন্দ্রো দেবীসন, সুরজ অমদি বীরজিৎনি। প্রোবসতা রোনাল্ডো অমদি মালেমঙানবা, ফিজেৎ লৈতেংদা মঙাল্লৈমা অমদি বিন্দুরানী, শক শেম্বদা এল মেরীনি। মৈদা মদন শর্ম্মা, ঈশৈ নোংমাইদা রোমেন অমদি ইনাওচা, ঈশৈ নোংমাইগী দিজাইনদা ঐচ সতানন্দ, উচেক্কী দিজাইন অমদি শক শেম্বদা এন কুঞ্জে, কোরিওগ্রাফতা ঐচ সতানন্দ, প্রদক্সন ইন চার্জদা টি সঙ্গিতা, মেনেজিং দাইরেক্টর এস ইবোমচানি। ৱারীদা কাংজম রাধাকুমারনি। ৱারী অসিবু দ্রামাতাইজেসন, দিজাইন এন্দ দিরেক্সন পীরিবিনা ডা. এস থানিনলৈমনি।

ড্রামা অসিগী মপুং ওইবা পাউদম থমজদ্রিঙৈদা ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়াদুনা য়ুমজাও লাইরেম্বী ড্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন খাগেম্পল্লি হুইদ্রোম লৈকাইগী দিরেক্টর ওইনা ‘শন্নাংগী থোং লান্দুনা’ হায়না মিংথোনবা ড্রামা লাম্হোকপীরম্বা চবুংবম গুনিনেদ্রানা মনুং মতম চাদনা ইখঙ–খঙহৌদনা ঙসি তাইবঙপান অসিবু থাদোকখিবদা অৱাবা ফোঙদোকখিবদু শরুক য়াজরি।

ড্রামা অসিগী অহৌবদা উচেক মতৈ–মনাও অনীনা তাইবঙ শেম্বা মপুনা লাইরমলেনগী হৈকোল লৈকোল অমগুম নীংথিনা শেম্বীরম্লবা মালেমসিদা থৱায় পানবা পূম্নমক্কা হিংমিন্নরিবা মীওইবা কৌবা কাঙলূপ অসিনা অঙকপা ফংনা ফল্লক্ত্রবা লমচৎ য়াওশিল্লক্তবা মীওই অমগা অমগগী মরক্তা মীনুংশি ফাওরক্তবা কয়া উবদা উচেক মতৈ মনাও অদু অঙকপা ফংনা থম্মোই শোক্লম্মী। মখোয় অনীনা নুংশি চান্নরা অমগা অমগা তাথোক তাশিন তৌনদুনা অরৈ লৈতা য়েন্না খাইনদুনা লৈমিন্নবদু পাল্লম্মী। মখোয় অনীনা হৈকোল লৈকোলসিদা মখোয়গী য়ারেক তাংজফম লৌদুনা লৈরকপা মতমদা

রাজেন খুমুকচম

মখোয় অনীনা ডৈহৈদবা–য়েং হৈদবা–তাহৈদবা কয়া অৱা–অনা মীকপ মীরাওখোল, ৱাকৎ কয়া তোয়না তারক উরকখি। থৌওংশিং অসি উবদা উচেক মতৈ মনাও অনীদু অঙকপা ফংনা থম্মোই শোক্লম্মী। মরম অদুনা হৈকোল লৈকোল অসি থাদোক্তুনা অৱা–অনা লৈত্রবা অতোপ্পা হৈকোল লৈকোল অমদা পাইখ্রসি হায়না ৱাতান্নরক্তুনা মখোয় অনী অতোপ্পা হৈকোল লৈকোল অমদা লাকখি।

মপান নাইদ্রবা নুংঙাইবনা থল্লবা হৈকোল লৈকোল অমদা থুংলরবা মতুংদা মফম অদুদা নুংঙাইবগী নুংঙাইবা ফজবগী ফজবা ঙাক্তা অদুদদি ফজবগী ফজবা ঙাক্তা, নুংঙাইবগী নুংঙাইবা ঙাক্তা অসুম লেঙদনা লৈরকপনা ফজরম্বা কয়া নুংঙাইরম্বা কয়া থম্মোইদা অনৌবা ইনোৎ পীবা ঙল্লক্তরে মখা তানা য়েংনিংবগী ৱাখল ফাওরক্ত্রে। নুংঙাইবা মরক্তুদা লৈবনা থোইনা হেন্না অৱাবা ওইরক্লে। মরম অসিনা মখোয়না হান্না লৈরম্বা হৈকোল লৈকোল অদু নীংশিংলক্তুনা নুংঙাইবা ফংগনি হায়না খল্লম্বা, নুংঙাইবা খক্তনা থল্লবা হৈকোল লৈকোল অদু থাদোক্লমদুনা নীংবা কায়না তপ্না তপ্না পাইথোরকখি।

অৱাবগী হৈকোল লৈকোলনি খন্দুনা উচেক মতৈ মনাও অদুনা থাদোক্লরবা মফম অদু অমুক নৌহৌনা নীংশিল্লক্তুনা মফম অদুদা অমুক হন্না পাইরক্লগা মফম অসিদা পূক্লিংগী নুংঙাইবা ফংলে খন্দুনা মফম অসিদা পেন্না হিংহৌরগে খন্না কোইপাই পাইদুনা শান্নজবনা ড্রামা অসিগী অরোইবা শরুক ওইখি।

উচেক মতৈ মনাওনা লাইরৈপাক্কী হৈকোল লৈকোলদা লৈশা মপুং ৱাই ৱাই ফারক্লবা নুপীমচা অমবু অহলগী মতম ওইরবা মপুবোক্না শেন্নজদুনা মহৈ–মশিং তমহন্দুনা মীরক তিনবা ঙম্নবা মহাক্কী মপা মমা লৈতে হায়বা খঙহন্দনা য়োক–থাক্লকখি। মশুনুপী অদুনদু মপুবু থবক শুবদা খোঙ খূৎ ফাওবা হাম্নি খঙদরে হায়দুনা খুদেংদা ঈশিং হৈদুনা মপুবোক্কী মখোঙ মখূৎ হাম্বীবদু উরগা উচেক মতৈ মনাওনা কয়াদা নুংশিনা লোয়নজরিবা মশু–মপুনো হায়না ৱারী শাজখি। মশুনুপীনা চাওরগা থবক অচৌবা তৌরগা শেল য়াম্না থোক্লবা মতমদা মপুবু থবক শুহল্লোই নুংঙাইহনগনি হায়না হায়জখি। করিগুম্বদা ৱারী লীবিয়ু হায়বদা মপুনা লাই খূৎশাংবীগী ৱারী লীবিখি। লাইবক থিবদি মপুনা পীক্ত পীক্লিবী অঙাংগুম উজরিবী মশুনুপী অদু লাইরিক তম্বা চৎখিবদা শকখঙদবা শারমচৎ চৎপশিংনা শরাক তম্বীদুনা অশিবা হকচাং ওইনা ফংলবদা মপুনা কয়াদা ৱানা তেংথাজখিবা থৌদোক কয়ানি। অমরোমদা পুন্সি খোঙচৎতা নীংতম্বা তান্নবা হোৎনবদা পীক্লিবা



থেংনরম্মী। মফমদুদা অৱা অনা পেনদবগী ৱাকৎ অমত্তা লৈতে। মফম অদুদা উচেক মতৈ মনাও অনী অদুনা অহানবা থুংলবা মতমদদি য়াম্না নুংঙাইজরম্মী। অদুবু অসুম কুইনা লৈরক্লবা মতুংদদি খেন্নবা লৈত্রবা অহোংবা লৈত্রবা মফম অদুদা মখা তানা লৈথনিংবগী হৈনিংবা ফাওরক্ত্রে। মরম অদুনা উচেক অমোম্না মফম অসি থাদোক্তুনা অমুক হান্নগী হৈকোল লৈকোল অদুদা পাইরসি হায়রক্লে।

লাইরৈপাক্কী হৈকোল লৈকোল পাইদ্রিঙৈ মখোয়না অহানবা লৈরম্বা হৈকোল লৈকোল অদুদদি মশাগী শেন্থোক লম্বী ৱাৎলবশিংনা থবক শুবগী মহুত্তা অরৈবা ফিজেৎ লৈতেং শেৎচিন্দুনা পোকপা নুমিৎকী কুমওন থৌরম পাঙথোকপদা মখূত্তা অতাঙবা মখলগী য়ুঙাংগী গ্লাস পায়দুনা নুপা নুপী ঙাথু থেংথুনদুনা জগোয়–ঈশৈ পাঙথোক্লিবদু উরুবদা মমিৎ নাবনা মখোয় অনী অৱাবগী মশক ওইখি।

মায়কৈ অমরোমদনা মমা মপানা নৌনা হুন্দোকপীরম্লবা মচাগী মমিং ফাওবা থোল্লম্বা নংদনা জঙ্গলদা লৈখিদুনা নোংমৈ গুলিদা মপূন্সি লোমদুনা অশিবা হকচাংনা কুতোংদুনা ময়ূমদা হল্লকখিবা থম্মোই শোক্লবা থৌদোক কয়া উচেক মতৈ মনাওনা উরুরগা লাইরৈপাক্কী হৈকোল লৈকোল পান্নকখিবা অদুসু অরেম্বা ওইখি হায়না শক্তম লাংলিবা লাংলিবীশিংনা তাইবঙপানসিদা তুম্লিবা অয়েংবশিংগী মফমদা মীৎকপ থোক্লবা পাউজেল পীবা ঙমখি হায়বদা থোইনা হায়মনবা থোক্লরোই খল্লি।

# হান্নগী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন কিপ্রোপ দোপিং কেসতা চহী ৪ অথিংবা থমখ্রে

*লন্দন, এপ্রিল ২১ঃ*

মিটর ১৫০০গী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইরম্লবা কেনিয়াগী এঠলিট অসবেল কিপ্রোপ দোপিং কেসকা মরী লৈননা এঠলেটিক্স ইন্টিগ্রিটি য়ুনিট (এ আই য়ু) না চহী ৪ অথিংবা থমখ্রে।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা কেনিয়াগী এঠলিট অসি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী গোল্ড মেডল ৩ ফংবা ঙমখ্রে। কুমজা ২০১৭ গী নবেম্বরদা লৌখিবা য়ুরিন সেম্পলদা পোজিটিভ ওইরে হায়না আই এ এ এফকী দিসিপ্লিনরি ত্রিবুনেলনা মহাকসু চহী ৪ অথিংবা থম্বদা অয়াবা পীখিবনি। কিপ্রোপনদি মহাক্কী য়ুরিন সেম্পল অদু কম্পিটিসনগী মপান্দা লৌখিবনি হায়না য়াখিদবনি।

ক্রোসৱার্দ ১৩৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | C | R | A | P | | A | I | D | S | | H | A | S | H |
| E | L | I | T | E | | C | R | O | C | | I | N | C | A |
| M | A | P | L | E | | M | A | N | H | A | T | T | A | N |
| I | D | E | A | L | | E | N | T | E | R | | E | N | D |
| | | | S | E | A | S | | | M | E | N | | | |
| A | S | S | E | R | T | | T | E | E | T | E | R | E | D |
| S | U | N | S | | O | K | R | A | | H | E | A | V | E |
| T | E | A | | A | M | N | E | S | I | A | | P | A | T |
| E | D | I | T | S | | E | A | T | S | | R | I | D | E |
| R | E | L | A | P | S | E | D | | L | E | A | D | E | R |
| | | | R | I | O | | | S | E | N | T | | | |
| S | H | E | | R | O | D | E | O | | D | R | A | P | E |
| P | E | R | P | E | T | U | A | L | | E | A | S | E | D |
| A | R | I | A | | H | E | R | O | | A | C | I | N | G |
| R | E | E | D | | E | L | L | S | | R | E | A | D | Y |

# আই পি এলদা হায়দরবাদনা কোলকটাবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে

*হায়দরবাদ, এপ্রিল ২১ঃ*

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ৩৮শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সনরাইজর্স হায়দরবাদনা কোলকটা নাইট রাইদর্সপু ৱিকেট ৯ দা মায়থিবা পীখ্রে।

৩৮শুবা মেটচ অসিগী টোস য়ুম্বু ওইখিবা সনরাইজর্স হায়দরবাদনা টোস ঙমদুনা বোল্লিং খনখি। কোলকটা নাইট রাইদর্সনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৫৯ লৌবা ঙমখি।

কোলকটাগী ইন্নিংস অদুদা ওপনর সুনিল নরাইন অমদি খৃসলিন মথংশিংনা রন ২৫ অমদি ৫১ লৌরমখি। মখা তানা চঙলকখিবা বেটসমেন ৩ রন নীংথিনা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখি।

৬শুবা বেটসমেন ওইখিবা রিঙ্কু সিংহনা বোল ২৫ দা রন ৩০ লৌরম্বা অসিনা মপুং ওইরগা টিম অসিগী অপুনবা স্কোর অদু ৱিকেট ৮ তুবদা রন ১৫৯ লৌখিবনি।

সনরাইজর্স হায়দরবাদনা মায় পাক্নবগী রন ১৬০ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ১৫শুবা ওভরদা শুপ্নগী ৱিকেট ১ খক তুরগা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৯ দা চাওনা মায় পাকপা ঙমখি।

সনরাইজর্স হায়দরবাদকী ওপনর দেবিদ ৱার্নর বোল ৩৮ দা সিক্স ৬ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৬৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর জোন্নী বেয়রষ্টোনা বোল ৪৩ দা সিক্স ৪ অমদি ফোর ৭ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৮০ লৌখি। অদুগা অহুমশুবা বেটসমেন কেন ৱিলিয়মসনসু আওট ওইদনা রন ৮ লৌরমখি।

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং দিল্লিদা লৈবা ফেরোজ সাহ কোটলা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৩৭শুবা লীগ মেটচ অমদা দিল্লি কেপিটেলসনা কিংস এলভেন পঞ্জাবপু ৱিকেট ৫ তা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা দিল্লিগী বোল্লর সন্দিপ লামিছানেনা পঞ্জাবকী বেটসমেন ৩ আওট তাহনখি।

# এসিয়ান ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটর জেরেমীনা য়ুঠ ৱার্ল্ড রেকোর্দ থুগাইখ্রে

*নিংবো (চাইনা), এপ্রিল ২১ঃ*

চাইনাগী সিটি নিংবোদা চথখরিবা এসিয়ান ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা নুপা ৱেঠলিফটর জেরেমী লালরিন্নুঙ্গানা য়ুঠ ৱার্ল্ড রেকোর্দ য়াওনা পুন্না রেকোর্দ ১৫ থুগাইখ্রে।

মশাগী চহী ১৬ তা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটর জেরেমী লালরিন্নুঙ্গানা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৬৭ কী কেটেগোরিদা মহাক্কী মশাগী ৱেঠতগী শরুক অমা হেন্না থাঙ্গৎতুনা পুন্না রেকোর্দ ১৫ থুগাইবা ঙমখিবনি।



চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মহাক্না স্নেটচতা কেজি ১৫৭ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১৬৩ পুন্না কেজি ৩২০ থাঙ্গৎতুনা কেটেগোরি অসিদা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

নীংশিংবা য়াই জেরেমী লালরিন্নুঙ্গানা হন্দক্তা থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ই জি এ টি কপ্তা মহাক্কী হান্নগী রেকোর্দতগী কেজি ৯ হেন্না থাঙ্গৎতুনা পুন্না কেজি ২৮৮ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি। লোয়ননা মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদা আর্জেন্টিনানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসতা পুন্না কেজি ২৭৪ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

এসিয়ান ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী কাঙলূপ্তা মমাঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবী সাইখোম মিরাবাই চনু কেজি ১ শোখহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমহৌদনা লৈহৌখি।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা মিরাবাইনা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কেজি ৪৯ গী পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন্দা স্নেটচতা কেজি ৮৬ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১১৬ পুন্না কেজি ১৯৯ থাঙ্গৎপা ঙমখ্রবসু মেডল ফংবা ঙমদনা মরিশুবা পোজিসন তাহৌখি।

সাইখোম মিরাবাই চনুগী খ্বাইদগী ফজবা অসি স্নেটচতা কেজি ৮৬ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১১৩ পুন্না কেজি ১৯৯ থাঙ্গৎখিবা অসিনা ওইখিবনি। খ্বাংগী অনাবা ফরক্লবা মতুং মিরাবাইনা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা থাইলেন্দদা পাঙথোকখিবা ই জি এ টি কপ্তা অহানবা ওইনা শরুক য়াবদা স্নেটচ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা পুন্না কেজি ১৯২ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

ইভেন্ট অসিদা চাইনাগী ৱেঠলিফটর হৌ ঝিহুইনা স্নেটচতা কেজি ৯২ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১১৬ পুন্না কেজি ২০৮ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌখি। সিলভর মেডলনা নোর্থ কোরিয়াগী রি সোং গুমনা স্নেটচতা কেজি ৮৬ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১১৪ পুন্না কেজি ২০০ থাঙ্গৎতুনা ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা চাইনাগী অতোপ্পা ৱেঠলিফটর ঝাং হোংনা স্নেটচতা কেজি ৮৮ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১১১ পুন্না কেজি ১৯৯ থাঙ্গৎতুনা লৌখি।

# ইন্দিয়াগী থাপা, টোকাস, লোভলিনা অমদি মনিসা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*বেঙ্কোক, এপ্রিল ২১ঃ*

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা চথখরিবা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর সিব থাপা, রোহিট টোকাস, লোভলিনা বোরগোহেন অমদি মনিসা মোন মখোয়–মখোয়গী কেটেগোরি বাওটশিং মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।



নুপাগী কেজি ৬০ দা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর সিব থাপানা ঙসি থিন্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা সাউথ কোরিয়াগী বোক্সর কিম ৱোনহোবু পোইন্ট ৪–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অসামগী বোক্সর অসিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা কিরগিজষ্টানগী বোক্সর সৈটবেক উলুগা লম্বা তৌনরগনি। সিপ থাপা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কুমজা ২০১৩ দা গোল্ড মেডল লৌখি, কুমজা ২০১৫ গী ইদিসনদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংলগা কুমজা ২০১৭ দা সিলভর মেডল লৌখিবনি।

থাইলেন্দদা পাঙথোকপা কিংস কপ্তা মেডল অনীরক ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর রোহিট টোকাসনা কেজি ৬৪ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াদুনা ঙসি থিন্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা অফঘানিষ্টানগী বোক্সর নুরিষ্টানী মোহমদ খাইবারবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

নুপীগী কেজি ৬৮ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা কুমজা ২০১৮ গী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী লোভলিনা বোরগোহেননা ঙসি থিন্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা ভিয়েটনামগী বোক্সর ত্রান থি লিহবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী বোক্সর চেন নিয়েন চিনগা থেংনরগনি।

নীংশিংবা য়াই চাইনিজ তাইপৈগী বোক্সর চেন নিয়েন চিননা লোভলিনা বোরগোহেনবু মমাঙ চহীদা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেলদা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী কেজি ৫৪ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবী মশাগী চহী ২১ শুরবা ইন্দিয়াগী বোক্সর মনিসা মোননা ঙসি থিন্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা ভিয়েটনামগী বোক্সর দো হা উয়েনবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

নুপীগী কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী নিতু ঙসি থিন্নখিবা বাওট অমদা চাইনিজ তাইপৈগী পিন মেংচিয়েগী মখূত্তা পোইন্ট ১–৪ দা মায়থিহৌদুনা মথংগী রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী কেজি ৬০গী কেটেগোরিদা এসিয়ান চেম্পিয়ন ৪রক ওইখ্রবী মণিপুরগী বোক্সর সরিতা দেবীনা মহাক্কী কেরিয়রগী ৬শুবা মেডলগীদমক সাউথ কোরিয়াগী বোক্সর গোন সুজিনগা থিন্নদুনা কেম্পেইন হৌদোক্কনি।

মমাঙদা নুপীগী ৱার্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন ওইরম্লবী নিখট জারিননা কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াদুনা কম্বোনিয়াগী স্রে পোভ নাওগা থিন্নদুনা মহাক্কী কেম্পেইন হৌদোক্লগনি।

# ইটালিগী ফোগনিনিনা মোন্টে কার্লোগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

*মোনাকো, এপ্রিল ২১ঃ*

ফ্রান্সতা চথরকপা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট মোন্টে কার্লো মাষ্টসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ মায় পাক্তুনা ইটালিগী শান্নরোই ফাবিয়ানো ফোগনিনিনা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা মাষ্টর্স টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে।



মোন্টে কার্লো মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ১৩শুবা সিদেদ ইটালিগী ফাবিয়ানো ফোগনিনিনা সর্ভিয়াগী দুসান লাজোভিসপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল ফংখি।

নীংশিংবা য়াই টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা সর্ভিয়াগী দুসান লাজোভিসনা ১০শুবা সিদেদ রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভপু ৭–৫, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদনা ১৩শুবা সিদেদ ইটালিগী ফাবিয়ানো ফোগনিনিনা ২শুবা সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদালবু য়াম্না লায়না ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা ফ্রান্সকী ফোগনিনিনা ঙন্না লাজোভিসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতসু ইটালিগী ফাবিয়ানো ফোগনিনিনা সর্ভিয়াগী লাজোভিসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

মোন্টে কার্লো মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৭শুবা সিদেদ পেয়র নিকোলা মেকটিক অমদি ফ্রাঙ্কো স্কুগোরনা নেদরলেন্দসকী রোবিন হেস অমদি ৱেসলি কুলহোফপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল ফংখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেট টাই ব্রেক্তা নেদরলেন্দসকী পেয়রনা ৭–৬(৭–৩) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতসু পেয়র অনীমক য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লরবা মতুং ক্রোএসিয়াগী পেয়রনা ৭–৬(৭–৩) দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট ওইখিবা সুপর টাই ব্রেক্তুসু য়াম্না অকনবা লম্বা ওইখি। য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং ক্রোএসিয়াগী পেয়র নিকোলা অমদি ফ্রাঙ্কোনা ১১–৯ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

# স্পেনগী লা লীগাদা বার্সেলোনানা রিয়েল সোসাইদেদপু ২–১ দা থোইখ্রে

*বার্সেলোনা, এপ্রিল ২১ঃ*

স্পেনদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা বার্সেলোনানা রিয়েল সোসাইদেদপু পাঞ্জল ২–১ দা থোইখ্রে।

টিম অনীমক মেটচ হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মতম কুইনা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ক্লিমেন্ট লেংলেটনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মিনট ৬২ চঙশিল্লকপদা রিয়েল সোসাইদেদকী শান্নরোই জুৱানমীনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

মিনট ২ লৈরগা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা জোরদি অলবানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু বার্সেলোনানা ২–১ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা গেটাফেনা সিভিলাবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা গেটাফেনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা জাইমে মাটানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা গেটাফেনা ফংখিবা অনীশুবা পেনাল্টিদা জোর্জ মোলিনানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৫৩শুবা মিনটতা গেটাফেগী শান্নরোই জোর্জ মোলিনানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৩–০ দা সিভিলাবু মায়থিবা পীরমখি।

ইটালিগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ইন্টর অমদি রোমা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি। শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা রোমাগী শান্নরোই ষ্টেফান ইল সারাৱিনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাল্ফ মেটচকী ৬১শুবা মিনটতা ইন্টরগী শান্নরোই ইভান পেরিসিকনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ১–১ দা দ্রো চৎখি।